ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯸ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ১৬, ২০২৪, ইম্ফাল

৪৮শুবা চহী, ১৯৩শুবা মশীং

# লমাংদোংদসু হীদাক লৈরমদ্রে

## লান মনুংদবু লম্বী শেমগদ্রো

মতম অমগীনা লমাংদোং, হৌজিক্কীনা বিষ্ণুপুরদা ওইরমাল্লে দিষ্ট্রিক্ট অদুগী পুলিসকী ট্রাফিক ৱিংগী পর্সনেল ৫না মরন্নাই শেল পুথোক্লরগা বিষ্ণুপুর কৈথেলগী হেক মপাদা লৈবা পোটহোল (লম্বীগী কোমকুৎ) মেনশিল্লে হায়রক্লিবসি। মখোয় ৫না লম্বীগী কোমকুৎশিং মেনশিনখিবগী ফোটোশিংদু ফনা য়াম্মী। কোমকুৎ মেন্নবা চেকতেক্লচিংবশিংদু গাড়ীদা হাপ্লগা হোল্লকখিবগী, মচাকশিংদু হুৎতোল্লবা বোরানা ৱাদা থিংজিল্লগা হোন্ননবা শেম্বা বারদা হাপ্তুনা পুবা, কোমকুৎতা হাপচিনমিন্নবা, খোঙনা নেৎশিনমিন্নবগী লোইনা য়াওখি। ভিদিওসু নল্লমগদবা মাল্লি। অদুবু থবক্কুগী ফোটো অমসুং ভিদিওশিং সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা ভাইরেল ওইখিব্রা নৎত্রগা ওইখিদব্রা হায়বদুদি খঙদ্রে। ভাইরেল ওইরবসু করিসু কায়দে। অফবা থবক অমগীদমক হুরানবদি পাপ চেন্দে হায়বা ৱাফম ফাওবা লৈরিবনি। অফবা থবক অমা তৌবা-পাঙথোকপগী ফোটো, ভিদিও, রিলস, পোষ্টনচিংবা ভাইরেল ওইরকপদা খোইদৌ শিক্লিংঙাই ওইরোই। থাগৎনরকপগী কম্মেন্টশিংনা পীক থনগদৌরিবনি। মীয়ামদি চহী ২ ফাজিল্লক্লবা লানসিগী ফাওবা য়াশিন্নরে, ৱারোইশিন পুরক্লে, মখা-তানা লান থোরক্লরোই হায়বা থবকশিং ফাওবা তৌথোরকউ। মদুগী ফোটো অমসুং ভিদিওশিং ভাইরেল ওইহল্লকউ হায়রিবনি। চোইত্রি-চোইখৎ খরনা সোসল মীদিয়াদা শেরান-তুরান তৌরকপদবু মনম তৎনবা য়ৈয়ু, চৈবুল পীজৌ হায়বগী ৱানি। অফবা-অচুম্বা তৌবশিংগীদি শরা শলহনবদা করিবু কাইদোইনো? মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পঙলিবা মনা তাননবা, তাঙলিবা মমিৎ উননবা হোৎনগদবনি। মতৌ তম্লকপ্রা য়েংগদবনি। অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস পর্সনেলশিংদা লম্বীগী কোমকুৎশিং মেলহল্লিবা করিগীনো হায়বনি। মস্বাইদদি লিন্না চিকপগীদি হীদাক লৈ, ইকায়বা খঙদবগী হীদাক লৈতে হায়বদু লমাংদোং য়ৌশিল্লক্লব্রা হংবনিদা। অদুসু মণিপুর লৈঙাক্কী ‘পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট’ (পি দব্লিয়ু দি) খূৎপায়নরিবা মিনিষ্টর অমগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি মক্তদা থোক্লব্রা হায়বনি। হোয়, এম এল এনা মাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খক্তগী ওইরবসু মিনিষ্টর ওইরক্লবদি মণিপুর পূম্বগীনি। অদুবু পীকখ্রবা মণিপুরগী লম্বী-থোংশিং শেমজিন-শাজিল্লক্ত্রিবসিদি কয়ামদি কুইরে? নেসনল হায়ৱেশিংগী মতাংদা হায়রুরগনা ‘এন ঐচ আই দি সী এল’ দা হায়খ্রে, খঙহনখ্রে হেক্তা হায়রক্কনি। তম্পাক্কী লম্বী-থোংশিংগীনা লম্বীদা শম্বল খাজিল্লক্তুনা, কোম তৌথোক্তুনা থিংজিনবগী খোঙজংদগীনা বন্দ/জেনরেল ষ্ট্রাইক্লচিংবা তৌরক্লবা মতমদতা য়াশিন্নরে, শেমগদবা মতম লেপ্পরে হায়বনি। লম্বী-থোংগী মতাংদা চত্থরক্লিবা থৌওংশিংসিবু ‘লান মনুংদবু লম্বী শেমগদ্রো, সনাগী লম্বী শেম্মু হায়ব্রা’ না হায়রকই হায়বদুগী ফীভমদা লৈথোরক্লিব্রা হায়বনি।

মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ও দি আর, আই ভি আরশিং য়াওনা ষ্টেট অমসুং নেসনল হায়ৱেশিংসিদবু গাড়ী থৌদুনা নৎত্রগা তোংদুনা চৎপদা থবাক নারক্তবা, পুক য়েল্লক্তবা অমসুং ঈশিং য়াফম হৌদবা লম্বীগী শরুক য়াওদবা করম্বা লম্বী লৈরিবগে? মতৌদি নোং হাংলগা শেন্ননি, অদুম্মাইনা-অদুগী থাক্তা শেন্ননি হায়বসিনা খুরক হাঙদে। লম্বী-থোংগী মতাংসিসু ‘এক্সন য়েংবীয়ু’ হায়বদুগী থৌদৌ তাগদৌরিব্রা? মহৌশাগী খল কায়থরকপদগী গ্লোবেল ৱার্মিংগা মপা-মপা ওইদুনা নোংসিনা অঙাং মবুক নুংঙাইতবদৌনা চিফেৎ-চিফেৎ অদুম্মক চুদুনা লৈরবসু নোং চুরি, হাঙদ্রি হায়দুনা শেম্লোইদৌরিব্রা? মসিদি চুমদেহে। ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিগী তোঙান-তোঙানবা পোলিসি, প্লান, প্রোজেক্টশিংনা কোনশিনবনি শেল থাদরক্ত্রি হায়দুনা কয়াম কুইনা লৈখিগে হায়বনো? দি পি আর অমসুং প্রোজেক্ট রিপোর্ট থাখ্রে, প্রপোজেল সবমিট তৌখ্রে হায়দুনা লৈরিঙৈদা মণিপুরগী লম্বী-থোংশিংসিনা ‘বৈতরনি তুরেল’ লোইনা ওইশিল্লক্লবদি শিখিবনা শিখ্রে, হিংহৌবনা হিংজহৌরে হায়দুনা লৈথোক্কদৌরিব্রা হায়বনি। হায়বা য়াই অমসুং য়ারে হায়দুনা পঙহায় হায়বগী ৱা নত্তে। মণিপুরগী লম্বী-থোংশিংগী ফীভমশিং ফীভম থীনা শোকচিল্লে হায়বসি মীয়াম্না লোইনা খঙবনি। চিরোল-খারোলশিংগী চন্নফম লৈত্রবনি। সেক্রেটেরিএট মমাঙ, রাজ ভবন মমাঙ অমসুং কৈশাম্পাৎতগী এয়রপোর্ট ফাওবা শিৎ নাল্লগা ষ্টেটকী লম্বী-থোংশিং লোইনা ফরবনি হায়দুনা লৌবা য়ারোই। লৈঙাক অমা ইচাউ-চাউনা লৈরিঙৈদবু মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা লম্বী-থোং শেমজিন-শাজিল্লু হায়দুনা খোঙজংশিং চঙশিল্লকফম থোকপ্রা? লৈঙাকসি কৈনো’মা ইতৌ তৌরমাল্লেদা !! অহানবা হৌগৎলকপদদি মৌ অনৌবী লাখ-লাখতগী হেল্লমখিবনি। কুইর-কুইরগা মমৈ পুংলক্কদ্রা হায়রগা করিনুংগীনো হায়দুনা লৱাইগী শম নাম্থজবগী ফীভমদা লাক্লিবসিবু করিদগী ওইজাৎনো? উনিংথৌনি হায়দুনা য়ূম্বী ওইনরুরগা য়েন্থৌ ফাওবা ওইরমদনা কেগে ঙাক্তা ওইরক্লজ াৎলা? লান খামদে, খাম্নবা হোৎনদে, তকশিন্দে হায়দুনা ফম থাদোকউ হায়রকপদগী নখোয়দৌ থিৎলিঙৈদুদা লম্বী-থোংশিং শলাক শাহনবগীসু ফম থাদোকউ হায়জরকচনি। চহী ৫গী টর্ম তঙ্খাই চনশিল্লক্লবনি। এম পি ২সু মীনা ইকোম কোম্না লৌখ্রে, থোমজিন্নবসু হৌখ্রে। মথংগী এসেমব্লি মীখলদা নখোয়বু কদোমদা থোক্লগদগে খনবদা লাইমন কাবিরে হায়বনি, অঙম্বশা!!

# ꯂꯃꯥꯡꯗꯣꯡꯗꯁꯨ ꯍꯤꯗꯥꯛ ꯂꯩꯔꯃꯗ꯭ꯔꯦ

## ꯂꯥꯟ ꯃꯅꯨꯡꯗꯕꯨ ꯂꯝꯕꯤ ꯁꯦꯝꯒꯗ꯭ꯔꯣ

# মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংনা ঐখোয়গী হকশেলদা শীংনরকপা অমসুং মসিদগী ঙাকথোক্নবগী পাম্বৈ

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**

মাইক্রোপ্লাষ্টিক হায়বসি প্লাষ্টিকশিংগী য়াম্না কুপ্লবা শিংকুপশিংনি। মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং অসি মপূং ওইনা মওং অনীদা মীওইবগী হকচাংদা চঙলকই। অহানবদা, লৌউ-শিংউগী তিলহাৎ হীদাক, মীনা শীজিন্নরিবা হীদাক-লাংথক, য়ূম-কৈগী ফক্লাংশিংদা তৈননবা রং, অকে-অমৌগী পোৎ অমসুং দিটরজেন্টশিংদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংসি অতম্লনা হেক হেক হাপ্পী। ঐখোয়গী কান্ননবা শীজিন্নরিবা কেমিকেলশিং অসি নুংশা মঙাল, মৈশা অমসুং নুংশিৎনা মাঙহন তাকহনবা ঙম্মী। অসিগুম্বা পামদবা থৌওং অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক অখন্নবা কেমিকেল খরবু মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংনা য়োমশিল্লি, হায়বদি মাইক্রোইনকপস্যুলেসন তৌই। অতোপ্পা অমরোমদনা, হীদাক অমবু য়াম্না তপ্না অমসুং মতম কুইনা থাদোকহন্নবগীদমক হায়বদি সষ্টেইন্দ রিলিজগীদমক হীদাক অদুবু মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংনা য়োমশিল্লি। মসিনা পামদবা সাইদ ইফেক্টশিং থোকপগী চাং হন্থহনবসু ঙম্মী।

অনীশুবদনা, হেক য়াহৌবদগীনা তূম্বা ফাওবদা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিক্কী পোৎশিংসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে মদুদি মসি ঐখোয়না পাক হেক থাদোকপা হায়বসি অরুবা অমা ওইরে। অসিগুম্বা প্লাষ্টিকশিং অসি হন্না হন্না শীজিন্নবা, খুদম ওইনা প্লাষ্টিক বোট্টল অমবু ঈশিং হন্না হন্না হাপ্তুনা থক্লবগীদমক শীজিন্নবা অমসুং মখোয়বু হুন্দোক্তুনা নৎত্রগা মফম চাদনা থম্বা মতমদা মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা কায়থরক্তুনা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং অসি ঈশিং অমসুং নুংশিত্তা তিল্লে। গাড়ীগী টায়রশিংনা তৎলকপা অমসুং শেগাইরকপা মতমদসু মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং অসি ঐখোয়গী অকোয়বদা থাদোরকই।

য়ুরোপিয়ন কেমিকলস এজেন্সীগী মতুংইন্না, অহানবগী মওং অসিদগী ঐখোয়গী অকোয়বদা চঙলক্লিবা মাইক্রোপ্লাষ্টিক্কী চাংসি চহী অমদা টন ৫০,০০০ মুক ওই হায়রি। মসি অকোয়বগী ফীভমদা ফংলিবা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী ১০-১৫%নি। অনীশুবা মওংসিদা শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিকশিংদগী মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংনা পাৎ-তুরেল অমসুং সমুদ্রদা তিল্লরবা মতুংদা ঈশিংদা হিংলিবা জীবশিং মরু ওইনা ঙাশিংগী হকচাংদা চঙলকই। মসিনা মোরিন ফুদ চেইনদা অপনবা পীরকই। অসিগুম্বা ঙাশিংসি চারুবদগী মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংদু অমুক মীওইবগী হকচাংদা চঙলকপা য়াই। অসুম্না মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওরবা ঈশিংদু থক-চাবদগীসু ঐখোয়গী হকচাংদা চঙলকই।

ৱাশিংটনদা বেজ তৌবা লূপ Orb Media না পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদা ইন্দিয়াগী টোপ ৱাটরগী ৮.২৪%দা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওবা থেংনখি হায়রি। কুমজা ২০১৮দা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ওফ ন্যু য়োর্কনা চেন্নাই, মুম্বাই অমসুং ন্যু দেল্লী য়াওনা মালেমগী মমিং লৈরবা সহর ১৯দগী সেম্পলশিং খোমজিন্দুনা নৈনখিবদা, প্লাষ্টিক বোট্টলশিংদা হাল্লিবা ঈশিংগী ৯০%দা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওবা থেংনখি হায়রি। আই আই টি - বোম্বেগী সেন্টর ওফ ইনভাইরনমেন্টল সাইন্স এন্দ এঞ্জিনিয়রিংগী সাইন্টিষ্ট অনীনা থিজিনখিবা অমদনা, ঐখোয়না নুংতিগী চানরিবা থুমদা ফাওবা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওই হায়বসি খঙবা ঙমখি। ‘‘ইনভাইরনমেন্ট ইন্টরনেসনল’ (মার্চ ২০২২) দা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমদনা, নেদরলেন্দসকী Vrije Universiteit Amsterdam গী থিজিন লূপ অমনা থিজিল্লুবদা মীওইবগী ঈদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওরম্লে হায়রি। মখোয়না মশক-মমিং তাকথোক্তবা এদল্ট ২২গী ব্লদ সেম্পলশিং চাং য়েংবদা এদল্ট ১৭কী ঈদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওরম্বা থেংনরকখিবনি।

তিলহাৎ-হীদাক, রং, অকে-অমৌগী পোৎ, হীদাক-লাংথক অমসুং দিটরজেন্টশিংদা অতম্লনা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং হাপ্তুনা, অখন্নবা কেমিকেল খরবু য়োমশিনবগী থবক অসিদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী মহুত্তা অতোপ্পা পোৎ শীজিন্নবা য়ারোইদ্রা? ৱাহং অসিগী পাউখুম পীনবগীদমক মসাচুসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) গী থিজিন লূপ অমনা থিজিন্দুনা লাকখিবগী মহয় ওইনা মুগা (সিল্ক) দা য়ূম্ফম ওইবা সিষ্টম অমনা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী মহুৎ শিনবা য়ারগনি হায়না ‘স্মোল’ চেফোঙ (জুলাই ৮, ২০২) দা ফোঙদোরক্লি। মখোয়না পুথোরক্লিবা সিষ্টম অসিনা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী সমস্যা পূম্নমকপুদি কোকহনবা ঙমদ্রবসু মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী ১০-১৫% ওইরিবা হীদাক-লাংথক, রং, অকে-অমৌ অমদি দিটরজেন্টনচিংবদগী হৌরকফম ওইরিবা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংবুদি শীজিন্নহন্দবা ঙম্লগনি হায়না সিভিল এন্দ ইনভাইরনমেন্টল এঞ্জিনিয়রিংগী প্রোফেসর Benedetto Marelli না ফোঙদোক্লি। মসিনা মতম অমত্তদা মালেমগী ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং পোল্যুসনগী ১%দি কোকহনবা ঙমহল্লগনি।

ফি-রোল শাবদা শীজিন্নরিবা মগুন লৈরবা মুগাগী লংগা মান্নদবা মওংদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী মহুৎ শিনবা ঙম্বা সিল্ক প্রোটিন অসিদি মরাং কায়না ফংই অমসুং মমল হোঙই। ফজরবা মুগাগী লং শুংনবগীদমক সিল্কৱর্ম কোক্যুনশিংবু খূৎ চঙনা নাইথোকপা মথৌ তাই, অদুবু হীরম অসিদা শীজিন্নগদৌরিবা অসিদদি লং নাইথোকপা য়াদবা কোক্যুনশিং শীজিন্নবা য়াই অমসুং সিল্ক ফাইবরশিংদু ঈশিংদা য়ূম্ফম ওইবা থৌওং অমনা য়াম্না য়াম্বা চাংদা পুথোকপা য়াই।

মুগা অসি চিঞ্জাক নৎত্রগা হীদাক-লাংথক্তা শীজিন্নবদা শাফবা ওই, মরমদি মসি হু চেন্দে অমসুং হকচাং মনুংদা মরোমদোম তুমজখিবা ঙম্মী। লেবতা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা থিজিন লূপ অসিনা মুগাদা য়ূম্ফম ওইবা মেটরিএল অসিনা হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা খূৎলায়শিংগী মতেংনা নাপী হীদাকশিংবু ঈশিংদা তুম্বা ঙম্বা কুয়োম অমনা য়োমশিনহনবা ঙম্মী। অসুম্না য়োমশিল্লবা নাপি হীদাক অসি গ্রীনহাওস অমদা চাং তৌবদা হৌজিক কৈথেলদা ফংলিবা নাপি হীদাকশিংদগী হেন্না ফজনা মথৌ তৌবা থেংনখি অমসুং পাম্বীশিংদা অমাঙ-অতা থোকহনবগী চাংসু হন্থরম্মী।

মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী মহুৎ শিনবা য়াবা মহৌশাগী ওইবা পোলিমর অমা ফংনবগীদমক থিজিন লূপ অসিনা সিল্ক মেটরিএলশিংদা য়াওরিবা চেনশিংগী হান্না লৈরম্বা মওং-মতৌশিংদু শেমদোক-শাদোক্লম্মী অদুগা সর্ফক্টেন্ট (সর্ফেস টেন্সন হন্থহনবা ঙম্বা পোৎ) অমা হাপচিল্লগা কংহল্লবা অমসুং কনশিনহল্লবা মতুংদা য়োমশিন্নবা পোৎ অমগী মগুনদু চেল্লকই। মেটরিএল অসি হায়দ্রোফোবিক (থাউগুম্না ঈশিংগা তিন্নবা পামদবা) নৎত্রগা হায়দ্রোফিলিক (ঈশিংগা তিন্নবা পাম্বা) নৎত্রগা অনীসিগী মরক্তা লৈবা পোৎ অমা ওইবা য়াই।

থিজিন লূপ অসিনা পাল্লিবা পোৎশক অদু ফংবা ঙম্নবগীদমক এম আই টিগী পোষ্টদোক Muchun Liu না য়োমশিল্লিবা মেটরিএলশিংগী দ্রোপ্লেটশিংদু ফমথহন্নবগী পাম্বৈ অমা শেমগৎপা তারম্মী। থবক অসি মহাক্না অখন্নবা স্প্রে-ফ্রীজিং সিষ্টম শীজিন্নদুনা পাঙথোক্লম্মী অদুগা য়োমশিনবগী থবক্তু ফজনা পাঙথোরকপদু উবা ঙম্লম্মী। তিলহাৎ-হীদাক নৎত্রগা ন্যুট্রিএন্টশিং নৎত্রগা এঞ্জাইমশিংবু ওইরবসু য়োমশিনহনগদৌরিবা ‘পেলোদ’ মেটরিএলশিংদুগী খরনা ঈশিংদা তুম্বা অদুগা খরা অমনা ঈশিংদা তুমদবা অমসুং মখোয়না তোঙান তোঙানবা মওংদা য়োমশিল্লিবা পোৎতুগা তিন্নবা ঙমলম্মী। পেলোদ মেটরিএল অদুগা য়োমশিল্লিবা পোৎতুগা সোল্যুসন অমদা য়ানশিন্নৈ অদুগা স্প্রেদগী কাপথোকহল্লকই। দ্রোপ্লেটশিং শেম্লকপগা পেলোদশিংদু য়োমশিল্লিবা পোৎতুগী কুয়োমদু ফাওজিন্নবা হোৎনরকই অদুগা য়োমশিল্লিবা পোৎতুনা কুপশিনহনখি।

এম আই টিগী থিজিন লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা অনৌবা পাম্বৈ অসিদা লং শুংবা য়াদ্রবা লোগ্রেদ সিল্ক শীজিন্নবা য়াই। মসিদসু নত্তনা শীজিন্নরবা মতুংদা হুন্দোকখ্রগদবা মুগাগী ফিশিং ওইনা শীজিন্নবসু য়াই। অদুনা থৌওং অসিদা শেল ইচং চঙদে। মতৌ অসুম্না মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী মহুৎ শিনবা য়াবা মুগাগী প্রোটিনসি শীজিন্নদুনা তিলহাৎ-হীদাক, রং, অকে-অমৌগী পোৎশিং, হীদাক-লাংথক অমসুং দিটরজেন্টশিংবু ইনকপস্যুলেসন তৌবগী থবকসি পাক শন্না পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা অমত্তা লৈরোই হায়না Marelli না ফোঙদোক্লি। মখোয়গী পাম্বৈ অসি মালেম শিনবা থুংনা শীজিন্নরকপা মতমদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী সমস্যা অসি ১০-১৫% কোকহনবা ঙম্লগনি হায়রি। ●

# ফিরাল মমায় চুন্লিঙৈ ইপকতা পকচৈদা

**- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -**

হায়নবা লৈ মীতৈ অহল-লমন্না পাঙল ইনাকখুনবনা লংবা তুপীদি ঙানু থোইদিং উপ্পী, লায়রবা পাঙলনা লংবা তুপীদি থিক্রম অকংবা উপ্পী। (ফজদবা ৱাহৈ য়াওরিবসি পাবীরিবা পূম্নমক্না ৱারৌবীগনু। ইপা-ইপুশিংনা হায়রম্বা ৱাহৈদা শেমদোক-শেমজিন তৌবা মীনা তাবদা ফজদে হায়দুনা চীংনা কোয়না পনশাবা হাওনা কোইনা পনঙাকপা হায়বদু ফজদে হায়দুনা চীংনা কোয়না পনশাবা চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা হায়বদু তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংনা চিরোল ৱাহৈনি হায়বিরকপা য়াওই) মসিমক্না লৈখিদ্রবা ইপা-ইপুশিংগী শীজিন্নরম্বা ৱাহৈশিংদা য়ারিবমখৈ শেমদোক-শাদোকপা ইতিক-ইপা নৎচদে হায়না থমজগে। মীনা শিবনা চিনদা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা হায়দুনা ঐনা করি অমুক শেমদোক্লগনি।

পেনাগী লীরি, ধুলোক্কী তাম্থা, খুলং ঈশৈ, খুনুং ঈশৈ কয়ানা য়োমদুনা চাউরক্লবা অহল-লমন কয়ানা মচা-মশু পূম্নমকপু মাংশোক ফমেন নাইনা শিন্তাক-শিনলম শিন্থারক্লবা লমদম অসিগী লৈহাওদগী চাউরক্লবা পারি শাৎ ইমোম পোক্লকপা কয়ানা লৈবাক অসিগী চিরবা তাঞ্জা খুদিংদা মরৈবাক মরমদমগীদমক্তা মাঙজিল থানা মায়পুনরিবা খুদিংমক্না তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ কয়ানা মীনা লাকচবা য়াবরা, নঙনা কৈদা ঐনা কৈদা হায়দুনা থৱায় কয়া পোন্থা পীরি। মমা ওইবী কয়ানা মীৎকী পিরাং কংদনা মপারি-মমোম কয়াগীদমক লাউরি-খোঙলি। মন্ত্রি-মন্দল, মীয়ামগী মীহুৎ লৈঙাক্কী অচৌবা ফম্নাইবা কয়াগী ইমুংদা ঙাম্থোইরিবী সনাগী জবলিকা নুংদা মোন্তেক মোন্দুম মথক্তা য়াতারিবী কনানা অহিং তাংলৌ অথেংবদা নোংজু-নুংশা, অইং-অশা পূম্নমক্কা মায়োক্নরিবী ইমাগী ইমা ওইরিবী কয়াবু কনানা লাকই নোংমা ফাদোক ফাওবা হংদ্রবা হংলদ্রবী য়াইতোং খমদোংবা ইমুংগী মীওইশিংদি রিলিফ কেম্পকী অঙাং-অহল, নুপী-নুপা কয়ানা কৈদৌঙৈনো ঐখোয়-ঐখোয়না ঐগী-ঐগী ইয়ুম মোংবা ইরানয়াইদা লৈবা ফংগদৌবা নুমিৎ অদুবু হায়দুনা ঙাইরিবদো চহী কয়া ঙাইখিনি, থা কয়া খাঙখো হায়রিবনো। ঐখোয় মীওইবনা ফনা থৌনা ফরবসু, ফনা য়াম্না হৈ-শিংলবসু নোংমা ঐগী-ঐগী মতম লোইবা হায়বা অমা শোয়দনা লাক্কদৌবা অসিদা ৱাঙাঙ কমজাও হুনবা, খূৎশা থিন-থিন্দুনা মমিৎ-মনা লাউথোক্লদনা মী য়াম্না উশিৎ-থৌওইদনা ঙাঙবা-শকপা তৌদবা ফৈ। মালেমগী খ্বাইদগী ফবা ডাক্তর অমা ফাওবনা মীওইবগী পূন্সিবু অশিবগী খয়াৎতগী মুনবা ঙমদে, মালেমদা খ্বাইদগী কনবা নুপা-নুপী কনানসু অশিবগা শীংনবা ঙমদে, মালেমদা খ্বাইদগী শেঞ্জাও পায়বা নুপা-নুপী অদুনা পূন্সিগী অরোইবা খোঙচৎ অদুদা করিসু পুদুনা চৎখিদে। থল্লম্বা য়াবা অমদি মীনুংশি, থৌজাল, থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থবক তৌরম্বা অদুদনি মিংচৎ উরোং খিন্দুনা লৈহৌগদৌরিবা।

ঙসি জন নেতা হিজম ইরাবত শিদ্রিবসি মাগী কথোকপা মশাগী ফমগা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফবগা মীয়ামগীদমক পূন্সি অসি কথোক্লগে হায়বা অদুদা চৎখিবা লম্বী অদুদা ঙসিদি হিজম ইরাবত হিংলি। মীয়াম্না জাতিগী মপানি হায়দুনা শক্লা-শোন্নরিবা মহাত্মা গান্ধী ইন্দিয়াগী প্রধান মন্ত্রি নৎত্রগা রাষ্ট্রপতি ওইখিবা নত্তে। মাগী পোকপা-শিবা অনীবু মহাক্না ইন্দিয়ন কয়াগী মফমদা থম্বীরম্বা কথোকপা অদুনা ১৮৬৯গী ওক্টোবর ২দা পোকপা মহাত্মা গান্ধী ঙসিসু হিংলি, হয়েংসু হিংখিনি মতুংসু হিংদুনা লৈহৌগনি। মীহৌ চাউবা, করাম্বা মাগীদা ওইনীংবা, মাতনা চানীংবা মখোয়দি মানা-মানা পুরকপা পূন্সি চেঙজেল লোইবা নুমিৎ অদুগী মখাদা কনানা ফিদা থাবীরোই। ৱা অমা ঙাঙবদা মাগী মায়োক্তা ঙাঙলে, মাবু হুন্দুনা চৈরে, ঐ-ঐখোয়না তৌবা থবক্তা মীৎয়েং চঙলে হায়দুনা খুদক-খুদক্তা ঐনা তৌরিবা, ঐনা ঙাঙলিবা, ঐনা চৎলিবা লমচৎ অসিদা করি অশোয়বা, করি অহোবা লৈরে হায়দুনা খন্থবগী মহুত্তা খুদক-খুদক্কী খন্থদবা ৱাখলনা লমজিংদুনা লমন খুম্বগী চৎনবী, মী অমদা হেক্তা ব্লেম গেম চত্থবা মরাং কায়রে।

লাইরিক লাইশু মপূং ফানা হৈবা মথৌ তাবা ৱা ঙাঙবা, মাঙ-তুং য়েংবা মথৌ তাই। নত্তদুনা ফিরাল মমায় চুন্লিঙৈ ঐনা দোলাই ফৈনা তোংলিঙৈ, কেগেদা ইনিং মোইরাংদা ইখা হায়বদুগী মতম নত্তে। ঐখোয়গী ব্যুরোক্রেসি কয়ানা লৈবাক মীয়ামদগী খোম্বা টেক্স কয়াদুনা খোঙবীদগী সেনা ফাওবগী তোলোপ পীরি, চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি। মসি চুম্না-চুম্না তৌবা অমা মথৌ তাই। লৈঙাক্লিবা মীয়ামগী মীহুৎশিং কয়ানা পৱার এক্সর্সাইজ তৌবদা শীজিন্নরিবা লুপা অমা ফাওবা মীয়ামদগী খোম্বা শেলনি হায়বা কাউফম থোক্তে। লৈবাক্কী শেল লান্না শীজিন্নবদগী লাপথোক্লবা হোৎননীংবগী অপাম্বনি। শেমগৎ-শাগৎপা পূম্নমক মীচম মীয়াম্না শাওনীংবা, নুংঙাইতবা কনাসু য়াওরম্লোই। শেমগৎলিবা-শাগৎলিবা পূম্নমক মীয়ামগীনি তোম্বা, চাউবা, মনিগীদমক নত্তে। মীচম মীয়াম্না অফবা থবক তৌবদা হরাওবা, নুংঙাইবা ফাওদবা নত্তে। ফত্তবা থবক তৌবদা লৈবাক মীয়াম্না হরাওফম থোক্তে। ঙসি ষ্টেট অসি মৈ হৌনা চাক্লি হায়বসি থোক্লিবা ঈরাং অসিদা খরদং কোক থাদবা মীওইশিংদা নোলেজ লৈতবা য়াওরম্লোই। নাওফম তাহৌবা মফম্থু নুংশিদবা কনাবু লৈরমগদগে। নাওফম তাদবা লমদম অসিগী মবুক শেংদবা খরগা নৌনা নারোন্দা চঙশিল্লকপা খরনা ঙসিদি মণিপুরগী মীতৈ খক্তা ওইনা উবীগনু। তাঙ্খুল, কবুই, মরিং, চোথে, চিরু, অনাল, আইমোল, লমকাং, কোম, মাও, মরাম, পাওমাইনচিংবা পূম্নমক্কী শেল-থুমগী ফীভম কমদৌরিবগে। শেল তানবা হায়বা অসি মাগী-মাগী হৈরিবা শিনফম, শুরিবা থবক অদুগী মখা পোন্না ঐগী য়ূমদা শুবা য়াবা, কৈরোই-লৈকায়-খুঙ্গং খক নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট ৱাংমা লান্না শুবা নোম্বা চৎনবা ঙাক্তনি। ঙসিদি চৎথোক চৎশিন কয়াদা অথিংবা খক নত্তনা অকি-তুজুংবা কয়া অমা লৈরবনিনা শুবা নোম্বা কনাসু চৎনদ্রে। শুবু শুদ্রবা, নোম্থু নোমদ্রবদা কদাইদগী, কনাদগী শেল লাক্কনি।

শাংলবা নুমিৎ থা কয়া হৌখিদুনা চহী হেঞ্জিল্লক্লবা মতম অসিদা মখোয়গী মীহুৎনি হায়দুনা মখোয় ১০না ষ্টেট অসিবু অমদি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনবু শীংনবা খক নত্তনা মখোয়-মখোয়না এসেমব্লিদা লৌখিবা ৱাশক খুদিংমক খোঙনেৎনবদা ঐখোয়গী লৈঙাক্না করিসু হায়বা তৌদনা এসেমব্লি ফম্মী য়াওদে, মানা-মানা পুরিবা লোয়শঙদুগী থবক্না কনানা কনাদা শিন্নরিবা, মখোয়বু কনখৎলগা থল্লিবনা কনা-কনানো? মখোয় তরাগী মনুংদা ঙাঙনীংবা ঙাঙবা, হায়নীংবা হায়বগী অথিংবা থমদে। মরক অসিদা মীতৈ মশেল অমনা অমবু হুন্নরি লাউনরি, ওইদ-পাদবা কয়া শেমজিন-শাজিন্দুনা জগোয় হৈতবা মীনা শুমাংদা তাইনৈ হায়বদুগী মওংদনি। মীয়ামগী মীহুৎ মণিপুরগী লৈঙাক্লোই, কুকিগী এম এল এ ১০, বি জে পিগী ওইনা ৭, ইন্দিপেন্দেন্ট ১, অতোপ্পা পার্টিগী ২ পূন্না মখোয় ১০না মণিপুরবু দোন-মোন হাইদুনা থল্লি। মীতৈনা সেকমাই খরা হাইগৎলগা লৈবা কংলাতোংবী, লম্লাই মথক গ্বালতাবী, পল্লেল, সেরৌ-শুগুনু, ক্বাক্তা, তোর্ব্বুং অমদি কৈথেলমানবীদা মীতৈ লোংউপ্পা উপ্লগা থম্বা মতমদা থৌনা ফনা মায়োক্নুনা লৈঙাক অমা লৈবগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌদনা মীতৈশিংবু মখূৎ-মশা পুন্দুনা থম্বা, মণিপুরদা টেরিটোরিএল কাউন্সিল, টেরিটোরিএল এসেমব্লি অমসুং ষ্টেট এসেমব্লি চত্থরিবা অসিদা হকথেংননা থেংনরবা চাক তাঙবা ওগষ্ট ২৭, ১৯৬৫, মণিপুর মপূং ফাবা ষ্টেট ওইনবগী অন দলোনদা শরুক য়াদুনা শ্রীমতি ইন্দিরা গান্ধীনা মণিপুরদা লাকপা মতমদা ১৯৬৯ সেপ্টেম্বর ২৩ লৈবাকপোকপা নুমিতা ফাদুনা ইম্ফাল সেন্ত্রেল জেলদা লৈখিবা কয়া অদুনা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১ ইরাই নুমিত্তা মণিপুর ইন্দিয়াগী মপূং ফাবা ষ্টেট ওইরে হায়দুনা লাউথোকপীখিবা মসিদা নত্তনা কথোকপা অমগা লোয়ননা মণিপুরী লোলবু ইন্দিয়াগী ৮শুবা সেদ্যুলদা য়াওহননবগী ঈহৌ কয়া চঙশিন্দুনা শরুক য়াখিবা কয়া হিংলি, লৈরিকো খঙজিনবীয়ু। পংঙাঙ ঙাঙবা, পংহায় হায়বা খরা-খরা খন্থমিন্নসি।

অরোইবদা থমজনীংবা ৱাফমদি মণিপুর ষ্টেটকী থবক থৌরম খুদিংমক মীয়ামগী য়াইফনবা ওইরবা, মণিপুর ষ্টেটতা শীংনরক্লিবা খুদিংমক লৈঙাক্না মাঙ থারগা মীয়াম্না তুংদা ইল্লগা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্না য়াবা ওইরবদি করি নীংহন্নফম থোকপগে। এস টি, এন আর সী, আই এল পি খুদিংমক অমনা অমগা কোওপরেসন এন্দ কোওর্দিনেসন লৈনা থবক তৌবা তঙাইফদে। মন্ত্রি ওইরি, এম এল এ ওইরি, লৈঙাক্কী পর্মিনেন্ট এগজিক্যুটিভ ওইরি হায়দুনা নাকোয়ননা নাথৈবা খক নত্তনা ঙসিনা অমা ঙাঙ, হয়েংনা অমা ঙাঙবদু অফবা নত্তে। কুকিগী মীহুৎ ১০দু ঙসিদি ফিরাল মমায় চুন্লি মীতৈগী মীহুৎশিংসু ফিরাল মমায় চুন্লি। য়েংবীয়ু খনবীয়ু হোৎনবীয়ু মীয়াম্না পাম্বদি ঈং-তপ্পনি। ময়ূম-ময়ূমদা হঞ্জিনবা রিলিফ কেম্প হায়বদুদি লম্বী চৎলিঙৈদা নোং-নুংশিৎ লাকপদা উপাল মখাদা খাংবগুম্বনি। ঐখোয়গী লৈঙাক মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা থবক তৌহঞ্জনীংই। ফিরাল মমায় চুন্লিঙৈদা ঙাঙলিবমখৈ চুমগনি, তৌরিবমখৈ পকচখিগনি। হয়েং ফিরালনা মমায় লৈখ্রবা মতমদা তকশি শোনবদুদি হৌখিবা ঙা চাউই হায়বদুদি থাদোকসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।